# লৈঙাক্না অহেনবা লম লৌশিন্নবা হোৎনবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর শানবা ইম্ফাল ইষ্টকি নোংমাইচিং চিংখোঙ ৱাখাগী কমহাওলোকতা উরেপ উয়ুং তমখ্রবা মতুং গবর্ণমেন্টনা অহেনবা লম লৌশিন্নবা হোৎনরকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাখাগী খুঞ্জাশিংনা ঙসি ৱাকৎ মীফম অমা চৎখ্রে।

গবর্ণমেন্টকি থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাখাগী খুঞ্জাশিংনা ঙসি ৱাখা কোমলা ইখোল সঞ্জাবুংদা খন্ন–নৈনবা অমসুং ৱাকৎ মীফম অদু চৎখিবনি। খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না, লৈবাক মীয়ামগী খন্ননবগীদমক খুঞ্জাশিংনা কমহাওলোককী শরুক অসি কখোক্তুনা মণিপুর য়নিভর্সিটি ওফ কলচর শাবদা অয়াবা পীখিবনি। তশেংবদি কমহাওলোককি মফম অসি ষ্টেট দারবারনা ১৯৩২ দা অদুগা ১৯৯৪ দা মণিপুর গবর্ণমেন্টকি কোর্ট ওফ ফোরেষ্ট সেট্টলমেন্ট ওফিসরনসু ওর্ডর তাবিদুনা ৱাখা মীয়ামগীদমক রিজার্ব তৌদুনা থম্বীরম্লবনি অমদি পীবিরম্লবনি। মীফম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর শাবদা ওঠোরিটিগা য়ানখিবা লৈন–লৈনা ইনৌ নৌনা ৱাখা সঞ্জাবুং অমসুং উয়ুং মখোং চিংসু লৌশিন্নবা হোৎনরক্লী। ক্ষেত্রিগাওগী এমএলএ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ মশানসু য়ানখিবা মফমদগী হেন্দোক্লা লম লৌশিল্লোই হায়খ্রগা হৌজিক অহেনবা লমশিং লৌশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়বগা লোয়ননা গবর্ণমেন্টকি অরানবা খোঙথাং অসি অথুবদা হন্দোকপীয়ু হায়বা ৱাফম থম্লকখি।

অহেনবা লম লৌশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লেপহন্নবা এমএলএদা হন্না হন্না হায়জরবসু থৌশাবিদবা অসি পেন্দে হায়নসু খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্তা অথুবা মতমদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিল্লগনি হায়রি।

# কম্মুনিটি হোল শঙ্গাখ্রে

থৌবাল পাউমীদগী

ককচীং, ফেব্রুৱারী ১০ঃ ককচীং ৱাইহরি ৱার্ড নম্বর ১, খা–মণিপুর কলেজ মমাংদা মীয়ামগী মতেংনা নৌনা শাবা কম্মুনিটি হোল কম রিক্রেসন সেন্টর ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা মণিপুর প্রদেস কংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বর নাওরেম কোবিতনা চীফ গেষ্ট, ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্ড নম্বর ১ গী কাউন্সিল্লর এম মেমচা দেবীনা প্রসিডেন্ট, ৱার্ড নম্বর ২ গী কাউন্সিল্লর এম উমা দেবী, ব্লোক কংগ্রেস কম্মিটি ককচীংগী প্রসিডেন্ট কেএসঐচ ইবোহলনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। কম্মুনিটি হোল অদুগী কন্সট্রক্সন কম্মিটিগী প্রসিডেন্ট এম ইবোতোম্বী অমসুং অতৈ থৌ পুবশিংসু ডাইজদা ফমখি।

# রিজল্ট লাউথোক্লে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ঃ মণিপুর য়ুনিবর্সিটিনা লৌবা বিএড অহানবা সেমিষ্টর ইগজামিনেসন, ২০১৮ গী রিজল্ট ঙসি নুংথিল লাউথোকখ্রে। পুন্না কেন্দিদেট ১১১২ ইগজাম থাবদা কেন্দিদেট ৮০৪ পাস তৌখি। মসিগী অকুপ্পা মরোল য়ুনিবর্সিটি অসিগী ৱেবসাইটতগী য়েংবা য়াগনি হায়রি।

# থৌবালদসু গ্রীন মণিপুর কেম্পেইন হৌদোকখ্রে

থৌবাল পাউমীদগী



থৌবাল, ফেব্রুৱারী ১০ঃ মণিপুরদা পোল্লুসন ফ্রী ওইহন্নবা ৱাখল্লোন অমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেগা রোড কোঙ্গেং হজারি লৈকায়দা কোর্পোরেট ওফিস লৈবা রেডিয়েন্ট গ্রুপনা ষ্টেট অসিদা চঙশিল্লকপা 'গ্রীন মণিপুর কেম্পেইন' গী শরুক অমা ওইনা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টতসু ঙসি অথোকপম অৱাং লৈকায়দা রেডিয়েন্ট ই–রাইডকী সোরুম অমা হাংদোকখ্রে।

সোরুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন টিঐচ স্যামোনা অথোইবা মীথুং, রেডিয়েন্ট গ্রুপকী মেনেজিং ডাইরেক্টর নেপ্রম রোমিওনা থৌরম মপু অদুগা মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্ড, এমপিসিবিগী এসিষ্টেন্ট এনবাইরনমেন্টেল ইঞ্জিনিয়ার জয়সঙ্কর থোকচোমনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা চিয়ারপার্সন টিঐচ স্যামোনা হায়, ঙসি থৌবালদা রেডিয়েন্ট গ্রুপনা গ্রীন মণিপুর কেম্পেইন হায়দুনা ইলেক্ট্রিক্কী গাড়িশিং শীজিন্নদুনা ঐখোয়গী অকোইবগী ফিবমদা থোকহল্লিবা পোল্লুসনশিংবু মায়োক য়ানবগী পান্দমদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই অমনি। গাড়িশিং মখোল থোক্তবা অমদি মৈখু চেন্দবা অমা ওইবনা মসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎথরক্লিবা স্বাছ ভারত মিসনবু মায় পাকহনবদসু চাওনা মতেং পাংলগনি।

থৌরমগী প্রসিডেন্ট ওইখিবা রেডিয়েন্ট গ্রুপকী মেনেজিং ডাইরেক্টর নেপ্রম রোমিওনা হায়, হৌজিক মালেমদা থোক্লিবা ঈশিং–নুংশিৎকী অহোংবা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা অইং–অশাগী ফিবম অঙকপা ফংনা হোংলকপা অসিদা মালেমগী লমকোইবশিং অফবা অশেংবা ঈশিং–নুংশি শেংবা মালেমগী মফমশিংদা হেন্না য়াম্না লাকই। মালেমগী অতৈ ফজবা মফমগুম্না মণিপুর অসিসু মহৌশাগী ওইবা ফজবা ঈশিং–নুংশিৎ শেংবা নুংঙাইবা মফম অমনি।

মসিবু খরদং ওইরবসু কন্নবগী ৱাখল্লোনদা রেডিয়েন্ট গ্রুপনা ই–রাইডকী খোঙথাং অসি পায়খৎতুনা চহি অসিগী জানুৱারী ১২ দা ঘরিদা গ্রীন মণিপুর কেম্পেইন অসি হৌদোকখিবনি। থৌবালগী অসিগী মথং অথুবদা মোইরাংদসু অনৌবা সোরুম অমা হাংদোক্লবা থবক পায়খৎলি। এনবাইরনমেন্ট পোল্লুসন হন্থহন্নবা হোৎনবদা গ্রীন মণিপুর কেম্পেইন অসিবু মায় পাক্লবা থৌবালগী মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মেনেজিং ডাইরেক্টরনা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

লোয়ননা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কষ্টমরশিংদা সার্টিফিকেট অমদি গাড়িগী ছোশিংসু খুৎশিন্নখি।

# মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকি মনুং চন্না লৈবা য়েংখোম লৈরক দিবলপমেন্ট ক্লব, ৱাইএলডিসি, য়েংখোম লৈরক্কী ৫৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম, দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এৱার্দি ১৯৯২ ওকপগী থৌরম অমদি মহৈরোয়শিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েহোকপগী থৌরম ঙসি ক্লব অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

মপোক কুমওন থৌরম অদুদা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকি চিয়ারমেন এন্দ মেনেজিং দাইরেক্টর ইন্টনের্সনেল এন্দ নেসনেল এৱার্দি নারেংবম সমরজিৎনা চীফ গেষ্ট, য়েংখোম লৈরক দিবলপমেন্ট ক্লবকি প্রসিডেন্ট ঐচ শন্তিকুমারনা থৌরমগী প্রসিডেন্ট, পাৎশোই জিলা পরিষদকি মেম্বর এল লাংলেন লৈমা অমদি লমজাওতোংবা গ্রাম পঞ্চয়েটকি প্রধান ই সুসিলানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

য়েংখোম লৈরক দিবলপমেন্ট ক্লবকি দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এৱার্দি ১৯৯২ গী মীওইশিংবুসু তরাম্না ওকখি। লোয়ননা ক্লব অসিনা কোনবদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদসু মেরিটো–রিয়স এৱার্দশিং য়েহোক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা নারেংবম সমরজিৎনা হায়, য়েংখোম লৈরক দিবলপমেন্ট ক্লবকি ৫৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম্না লাকপসিদা ক্লবসিনা মতুং তারকপা থবক থৌরম কয়া তৌরকপদা মাইপাকপা ওইরসনু। ক্লবক্কি থবক থৌরমশিংদসু সলাইগী মাইকৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়খি।

ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদগী মেত্রিক অমদি ক্লাস টুয়েল্ভ লোয়ননা সিবিএসসিনা লৌবা একজামদা মীথোই মীহেল্লবা মহৈরোয়শিংনা এৱার্দ অসি পীদুনা পুক্লিং থৌগৎলি। মখা তানা মহৈ মশিং তম্বদা থৱায় য়াওনা হোৎন্দুনা অফবা মী অমমম ওইননবা হোৎনসি।

তুংদা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনা খুন্নাই অসিবু অফবা মাইওন্দা পুরক্কদৌরিবনি তুংদা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনা অফবা চাওখৎবা পুরক্তুনা মণিপুর অসি তংদু লৈতবা নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# নেসনেল হেলঠ এন্দ হিলিং সন্দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ ঃ মণিপুর বেপ্টিষ্ট কনভেসন সেন্টর চর্চ, চীংমৈরোংনা শীন্দুনা নেসনেল হেলঠ এন্দ হিলিং সন্দেগী থৌরম সেন্টর চর্চ অসিদা মেদিকেল কেম্প অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল হেলঠ এন্দ হিলিং সন্দে থৌরম অদুদা ষ্টেট হেলঠ সোসাইটি, মণিপুরগী দাইরেক্টর এস মনিকন্তা, রাষ্ট্রিয়া কিশোর স্বাষ্থিয়া কার্য্যক্রমগী এদোলেসেন্ট হেলঠ প্রোগ্রামগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার দাক্তর জুবিলী ৱাহেংবম, রিমস সাইকিয়াট্রি দিপার্টমেন্টগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট দাক্তর আরকে লেনিন, এমবিসি সেন্টর চর্চকি পাষ্টর এল সাইমন রাওমাইসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা শগোলবন্দ সলাম লৈকায়গী বেপ্টিষ্ট ফেল্লোসিপকি মেম্বরশিংনা প্রভু যীশুগী মফমদা শৈথা ঈশৈ শকখি। এমবিসি সেন্টর চর্চকি চিনদ্রেল মিনিষ্ট্রিগী অঙাংশিংনা জগোইসু শাখি। এমবিসি সেন্টরগী মেম্বরশিংনা প্রভু যীশুগী মফমদা থৌনিখিবগা লোয়ননা লাইশোল ঈশৈসু শকখি।

নেসনেল হেলঠ এন্দ হিলিং সন্দেগী থৌরম অদুদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অদুদা দাক্তর ১০, নর্স ২, টেক্নিসিয়ান ৫, এঐচ কাউন্সিল্লর ৩, নেসনেল হেলঠ এজেন্সি ষ্টাফ ৩ পুন্না ২৩ না এমবিসি সেন্টরকি মেম্বরশিংবু লেম্না লায়েংখি।

ষ্টেট হেলঠ সোসাইটি মণিপুরগী দাইরেক্টর দাক্তর এস মনিকান্তনা হায়, নেসনেল হেলঠ এন্দ হিলিং সন্দেগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা সেন্টর চর্চ অসিদা লৈরিবা মেম্বরশিংদা লেম্না লায়েংবগী থৌরম পাঙথোকপসি য়াম্না অফবা খোঙথাংনি। ঐখোয় পুম্নমক্কি হকচাং অসি নাদা য়েক্তুনা লৈহন্নবা হোৎনবা য়াম্না মথৌ তাই।

নুপী মীরোলবীশিং য়াম্না চেকশিন্নিংঙাই ওই। মমা মীরোলবীশিংদা হিদাক পীজবা কাপথোকপা তঙাইফদে। অদুগা মশাগী চহি ১ দগী হৌরগা ১৯ ফাওবদা লৈরিবা অঙাংশিংদা দিৱামির্ংগী হিদাক পীজবগী থবক হৌজিক কন্না চৎখরি। ঐখোয় পুম্নমক্না অঙাংশিংবু তিল লৈতনবা হিদাক অসি পীজদুনা মশা মউ ফনা লৈহনসি হায়খি।

দাক্তর জুল্লি ৱাহেংবমনা হায়, মশাগী চহি ১৯ ফাওবদা লৈরিবা অঙাংশিংনা ইনখৎলকপগী মতম অসি মমা মপা ওইবশিংনা য়াম্না চেকশিননা লোইনবীগদবনি। অঙাং ওইরম্বদগী অসুম চাওখৎলক্তুনা মপুং মরৈ ফারকপা মতম অসিদা পুক্লিং ৱাখলসু ইরাং লাংবা মতমনি। মসিগুম্বা মতম অসিদা এদোলসেন্টশিং অসিদা নিংথিনা এৱার্নেস পীদুনা ঙাকপি শেনবিগদবনি হায়খি।

দাক্তর আরকে লেনিননা হায়, অঙাংদগী হৌরগা অহল ফাওবনা ৱাখল অসি খন্দুনা মশাগী মশাগী ফিরেপ লৌদুনা হিংই।

ৱাখলগী অনাবা লৈরবদি য়াম্না মরু ওইনা লায়েংদুনা ফহননা হোৎনবগী মথৌ তাই। ৱাখল নুংঙাইতবদগী ফত্তবা ওইরকখিবা য়াওদবা নত্তে। পুক্লিং ৱাখল নুংঙাইনা থম্নবা হোৎনবগীসু মথৌ তাই। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদসু য়াম্না নিংথিনা এৱার্নেস পীবগী মথৌ তাই।


ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 3rd Jan., 19

TOPPERS of 2018




VAN AVAILABLE
1. THOUBAL, LILONG, CANCHIPUR
2. OINAM, NAMBOL, MALOM
3. MAYANG - IMPHAL, SAMUROU
4. SEKMAI, MANTRIPUKHRI
5. MOIDANGPOK, KHUMBONG & PATSOI
6. PHEIDINGA, LAMSANG, LANGOL
7. GREATER IMPHAL AREA

Form Available for Mock Test 2019

| Date | Subject |
|---|---|
| 10/1/19 | English |
| 14/1/19 | Maths |
| 16/1/19 | S.Sc. |
| 19/1/19 | Addl.Sub |
| 22/1/19 | Science |
| 24/1/19 | MIL |

Last Date of Form Submission 6th Jan.

TSE/2330-29E+M..

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
STUDENTS OF NIRMALABAS, LITTLE FLOWER, HERITAGE, ST. JOSEPH, TINY TOTS, CATHOLIC SCHOOL, REGULAR, LEE FAITH , CHRIST JYOTI & DON BOSCO

LIMITED SEAT

Contact - 7628946313 - 9402897710 - 8732022342



ꯁꯦꯟꯇꯔ ꯐꯣꯔ ꯀꯝꯄꯤꯇꯤꯇꯔꯁ
CFC CENTRE FOR COMPETITORS
The Leader in me...
OLD LAMBULANE, JAIL ROAD, OPP. G.P WOMEN'S COLLEGE IMPHAL - 795001

Join and Start Preparing Now

Special Course for
MSPDCL/MSPCL Exam 2019
(Group –C and Group – D)
Subjects: 1. General Knowledge 2. General English 3. Aptitude 4. Basic Computer
Evening: 2:30 – 5:00 pm
Class Commencing: 14th Feb' 2019

Special course
SSC (10+2)
COMBINED HIGHER SECONDARY LEVEL EXAM
DATE OF EXAM:- 01.07.2019 to 26.07.2019
Subject offered:-
1.QUANTITATIVE APTITUTE 2.GENERAL INTELLIGENCE
3. ENGLISH LANGUAGE 4.GENERAL AWARNESS
Class Commencing from: 7th Feb '2019
Morning : 6:30 am to 9:00 am
Eevening 2:30 to 5:00 pm

ADVANCED BANKING
(For PO and Clerk) 4 months
Subject offered:-
1.DATA ANALYSIS & INTREPRETATION. 2. REASONING
3. ENGLISH LANGUAGE. 4.GENERAL/ECONOMY/BANKING AWARNESS
Class Commencing from: 7th Feb '2019
Morning : 6:30 am to 9:00 am
Evening 2:30 to 5:00 pm

GENERAL FOUNDATION COURSE
(BANKING – SSC – OTHERS)
Class Commencing from: 7th Feb '2019
Duration: 5 months
Evening : 3:00 pm to 6:00 pm

For Details Contact: 0385-2442908, 8257874275

TSE/2626-2E+M...


## অঙাংশিংগী অখন্নবা লামায়: তাইবং মালং উব্রা

**Scereny**
Asem Gracy Devi
Class-SR KG
Kidzee



**Unicorn**
Ch. Christina
Class-IV
Maria
Montessori
School



**Lotus**
S. Japana
Class-IV
Right Sept English
School



**Boy**
S. Nikash
Class: III
Peace School



**A House**
W. Maya
Class : I,
Nongmeibung
Primary School



**Ice-cream**
Mastan
Class-II,
Smart Universal
Academy



**An Umbrella**
Miraz
Class-I,
Brilliang English
School



**Pigeon**
N. Gyaneshwori
Class : V, Roll No.-26
Smart Universal
Academy



**Barbie**
Huidrom Paru
Class-V, Roll No.-37
Smart Universal
Academy



**Kingfisher**
RK Chelsea Devi
Class-V, Roll No.-58
Little Flower School

